# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 29-10-2024)**
## অকাশবানি ইম্ফালগী
## অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ
## (তাং ২৯-১০-২০২৪, য়ুমশকৈশা)

**পুলিস (এল)ঃ** মণিপুর পুলিসনা থৌবাল জিলাদা ঙরাং য়ু.এন.এল.এফ(পি) গী মীওই ৮ খূৎলাইগা কোন্ননা ফাগৎলে। মখোয়দগী এ.কে-৪৭ রাইফল অহুম, এ.কে-৫৬ রাইফল অনি, এম-১৬ রাইফল অমা, নাইন.এম.এম পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা এ.কে-৪৭ গী মরু ১৪৭, মোবাইল হেন্দসেদ ১৬ অমসুং রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওদবা ফোরচ্যুনর এস.য়ু.ভি অমা য়াওনা ফাগৎখি হায়না মণিপুর পুলিসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কৈশামথোংদগী মণিপুর পুলিসনা পি.এল.এ গী কাদর অমা ঙরাং ফারে । মহাক ইম্ফালদা লৈবা দুকালশিংদগী পোৎচৈ অমসুং শেল খাইবদা চেন্নবনি হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা নেসনেল হায়ৱে নম্বর ৩৭তা তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুবা গারি ২২২ অমসুং নেসনেল হায়ৱে নম্বর ২ দা গারি ৩১৪ অকনবা সেক্যুরিতিগী মীৎয়েং মখাদা চংলকখ্রে।

**এন.আই.এ (এল)ঃ** নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন.আই.এ ইম্ফাল ব্রাঞ্চ) না কুকি নেসনেল ফ্রন্ট মিলিটরি কাউন্সিলগী কাদর থোংমিন্থাং হাওকিপ এলাইস থাংবোই হাওকিপ ফারে। মহাক হৌখিবা এপ্রিল ২৭ তা বিষ্ণুপুর জিলাগী নরানসেনা সি.আর.পি.এফকী পর্সনেল অনি হাৎখিবা অমসুং অতোপ্পা অনি অমনা অশোক অপন নংহনখিবদা চেন্নবনি হায়রি। মীওই অসি হৌখিবা জন্ ৬ তশু অতোপ্পা কেস অমগা মরি লৈননা এন.আই.এ দেল্লিনা ফাগৎতুনা নিউ দেল্লিগী দিষ্ট্রিক্ট জেলদা লৈরকখিবনি।

**ইনোগুরেসন (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি আয়ুসমান ভারত হেলথ ইনফ্রাষ্ট্রকচর মিসন (পি.এম-এ.ভিম)গী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল থৌবালদা ক্রিতিকেল কেয়ার ব্লোক অমা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা শঙ্গারগনি।

দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেস মণিপুর অমসুং ষ্টেট হেলথ সোসাইতি মণিপুরনা শিনবা থৌরম অসিদা কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রি জগৎ প্রকাশ নদ্দা, লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন দাভিয়া, লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্টকী রাজ্য মন্ত্রি সোভা করন লাজে, হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বালগী রাজ্য মন্ত্রি অনুপ্রিয়া পাতেল, আয়ুসকী রাজ্য মন্ত্রি প্রতাপ গনপট রাও যাদব, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ অমসুং হকশেল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন সিংহ শরুক য়াগনি।

**বোম্বুলা ঃ** সব কম্মিতি ওন সেফ গার্দিং এন এনফোর্সমেন্ট ওফ দ কম্মিসন ফোর এয়র ক্বালিতি মেনেজমেন্ট(সি.এ.ক্যু.এম)না সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অমগী মতুং ইন্না দেল্লি, উত্তর প্রদেশ, হরিয়ানা অমসুং পঞ্জাবতা বোম্বুলা থাবদা অথিংবা থমখ্রে। অথিংবা অসি দেল্লি এন.সি.আর দা ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম ফৎচিল্লক্তবদগী থমখিবনি। কম্মিসন অসিনা মরি লৈনবা এজেন্সীশিংদা ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম মখা তানা শোকচিন্দনবা গ্রেদেট রেস্পোন্স এক্সন প্লান লৌখৎতুনা থবক পায়খৎনবা খঙহল্লক্লি। কম্মিসন অসিনা মখা তানা অথিংবা অসিগী মায়োক্তা থবক চত্থরকপা মীওইশিংগী মথক্তা অকনবা থবক পায়খৎলগনি হায়রি।

**মধ্যপ্রদেশঃ** মধ্যা প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি ডা.মোহন য়াদবনা হায়রি-অকোইবগী ফীভমগী মতাংদা খন্না নৈনবা অসিনা ঙসিগী মালেম অসিদা খ্বাইদগী মরু ওইবা অমা ওইরি। মালেম কনবা হায়বসি মীওই খুদিংমক্কী থৌদাংনি। ব্রাফম অসি মুখ্য

মন্ত্রি না ঙরাং ভোপালদা পাঙথোকখিবা গ্লোবেল ইফোর্টস ফোর ক্লাইমেট চেঞ্জ-কন্ত্রিব্যুসন ওফ ষ্টেটস ইন ইন্দিয়াশ কম্মিটমেন্ট হায়বা নেসনেল সেমিনর অমদা ফোঙদোকখিবনি।

**হরিয়ানাঃ** হরিয়ানা সরকারনা রাজ্য অদুদা চরু মৈ থাবা থিংনবা রাজ্য বিসিস্তা য়োজনা চৎনহনখ্রে। স্কিম অসিগী মখাদা লৌ লোকখ্রবগী তুংদা লেমহৌবা চরুশিং মৈ থাদনা নিংথিনা লোইশিন্নবা লৌমীশিংদা শেলগী তেংবাং পীরি। পঞ্চায়েৎশিংনা কোনবা মফমশিংদা চরু মৈ অমত্তা থাদবশিং মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎলি।

সরকারগী মচিন চৎপা মীশক অমনা হায়-চরু মৈ অমত্তা থাদবা রেদ জোন পঞ্চায়েটশিংদা লূপা লাখ ১গী মনা অমসুং য়েল্লো জোন পঞ্চায়েটশিংদনা লূপা লিশিং ৫০ মনা পীগনি। সরকারনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিং অসিগী ফল ওইনা ঙরাং ফাওবদা ফৌ থাবা লম একর লাখ ৭ লিশিং ১১ গী লৌমী লিশিং ৮৩, ০৭০ না রেজিষ্টর তৌরক্লে। লম একর অমমমগী ওইনা লৌ লোকখ্রবা তুংদা চরু মৈ থাদনা নিংথিনা লোইশিন্নবা লূপা লিশিং অমমম পীগনি । মরক অসিদা, ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ এগ্রিকলচরেল রিসর্সচ কী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা হরিয়ানাদা কুমসি চহীগী ওইনা চরু মৈ থাবগী থৌদোক ৭১৩ থেংনরে। মসি মমাঙ চহীগা য়েংনবদা চাদা ২৯ হন্থরবনি।

**জম্মু ঃ** জম্মু কাশ্মীরগী উপ-রাজ্যপাল মনোজ সিনহানা ঙরাং কাশ্মীর দিভিজনগী জিলা পুমমক্কী সেক্যুরিতিগী ফিভম হন্না য়েংশিনখ্রে। মীফম অদুদা মহাকা টেরোরিষ্টশিংনা কিহল্লক্লিবা অদুগী য়েংলগা সেক্যুরিতিগী মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা অমসুং মরি লৈনবা ওফিসিএলশিংনা মতম চানা থবক পায়খৎনবা খঙহনখি। শ্রী সিনহানা হায়-টেরোরিষ্টশিং অমসুং মখোয়বু মতেং পাংলিবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎপগী তঙাই ফদবা লৈ। মহাকা হায়-লমদম অদুদা সমাজিক অমসুং শেল থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা অমসুং মীয়ামদা

অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা সরকারনা হোৎনরি।

জাতিগী মায়োক্তা অরানবা ৱাফম কয়া শন্দোক্তুনা মীয়ামগী পুন্সি, আইন অমসুং শান্তি রক্ষাদা শিংনরক্লিবশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎকনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি। উপ-রাজ্যপালনা নার্কো-টেরোরিজমগী ৱাফম খ্বাইদগী হান্না থেংনদুনা নার্কো টেরর নেটৱার্ক থুগাইনবা খ্বাইদগী মাংজিল থানা থবক পায়খৎলি হায়খি।

মরক অসিদা, জম্মু কাশ্মীরগী অখনুর সেক্তরদা লান্মীগী গারিদা এত্তেক্ট তৌরকপা টেরোরিষ্ট অমা সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা লৈখিদ্রে। অকাশবানি পাউমীনা হায়-লৈখিদ্রবা টেরোরিষ্ট অদুগী হকচাং খুৎলাইগা কোন্ননা ফংলে। টেরোরিষ্ট অহুমলোমা ঙরাং লান্মীগী এমব্যুলেন্স অমদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। তুংদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চৎখি। লোয়ননা, নাকল অনিগী মরক্তা নোংমৈ কাপবগী থৌদোক থোকখি।

**মেট ঃ** মেট বিভাগনা হায়রি-মধ্য প্রদেশকী নোংপোক থংবা শরুক, বিদরভা অমসুং ছতিসগরগী মফম খরদা ঙসি অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুগনি। তামিলনাদু, পুদুচেরি, করাইকাল, কেরলা, মাহে, কর্নতকাগী খা থংবা শরুক অমসুং সমুদ্র খোঙবালশিং অমদি লক্ষদ্বিপ্তা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি মরিনি অসিদা অখাক অরাও য়াওনা পারপ্তুগী ময়াই ওইবা চাংদা নোং চুগনি হায়রি।

**রোজগার ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা নৌনা থবক খল্লবা মীওই লিশিং ৫১ হেনবদা এপ্পোইন্টমেন্ট লেট্টর য়েন্থোক্লগনি। রোজগার মেলা অসি লৈবাক্কী মফম ৪০ দা পাঙথোক্কনি। মসিনা নহাশিংবু শক্তি পীবগা লোয়ননা লৈবাক অসি শেমগৎপদা মখোয়বু শরুক য়াহন্নবনি। নৌনা খল্লবা নহাশিং অসিনা করমা যোগি প্ররম্ভগী খুত্থাংদা ট্রেনিং তৌবগী খুদোংচাবসু ফংলগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মীকোক থিবগী পাউ অমসুং তামেংলোংদা কোল ষ্টোরেজ শাবা লোইশিনখিবগী পাউনা ঙসি ফোঙনরিবা পাউচেশিংদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা তামেংলোংগী কোল ষ্টোরেজ, এফ.সি.আই গোদাউন্দ মপুং ফানা লোইশিনবা ঙমখিবা অসিনা মীয়ামগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎহনবা ঙম্লগনি হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা নহারোলগী থৌদাং অমসুং মণিপুর নিউজ য়াওনা অতৈ পাউচেশিংদসু মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙনবা উরে।

নহারোলগী থৌদাংদা ২০২৫ মীকোক থিবগী থবক চথরগনি হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। হেদলাইন অসিগী মখাদা ইং শোক ২০২৮ দা লোক সভাগী সিট দিলিমিটেসন তৌরবা য়াই হায়না হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা মণিপুর নিউজ, সনালৈবাক, পোকফম, সঙাই এক্সপ্রেসকী ইদিসন অনিমক পিপলস ক্রোনিকল অমসুং হিলজ হোর্ণবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমাইদা ফোঙনরি।

সি.আর.পি.এফ জৱানশিং হাৎখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই এন.আই.এনা ফারে হায়বা পাউ অসিনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেস্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পোকফম অমসুং নহারোলগী থৌদাং য়াওনা অতৈ পাউচেশিংদসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙনরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা লম্বীশিংদা পোৎহোল কয়া লৈবনা গারি মচা থৌবশিংদা খুদোংথিনিংঙাই ওইহল্লে হায়বা পাউ অসিনা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা এস.বি.আইনা পুলিসতা খুদোংচাবশিং ফংহনদৌরি হায়বা পাউনা অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

জি.পি কোলেজকী মহৈরোইশিংনা বোম থম্লম্বগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে হায়বা পাউনা পিপলস ক্রোনিকলদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাড

অসিমক তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ঙসি ফোঙনরিবা পাউচেশিংদা মরু ওইবা পাউ ওইরি।

সনালৈবাক্তা ষ্টেট সেনিয়র হোক্কী টিমদা য়ুনাকো গ্রুপা লূপা লাখ অমা মতেং পাঙখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। হেদলাইন অসিগী মখাদা হোক্কী মণিপুরগা চানরবা মশানা ওইরে হায়বা নিংঙোম্বম ইরাবন্তগী ৱাফম া কলর হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

মণিপুর নিউজতা ঈ.কে হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী সেক্রেটরি সরত না মহৈরোই অমা সনা লৌথোকহল্লগা হুন্দোকখিবগী পুলিসনা ফাগৎখ্রে, রিমান্দ লৌথখ্রে হায়বা পাউনা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

মণিপুরগী থৌদোক্তা য়ুমফম ওইরগা ইন্দিয়াবু মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনবা অফবা নত্তে হায়বা মিনিষ্টর এস.জয়সঙ্করগী ৱাফমা পোকফমগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা মেদিয়ানা অশেংবা অচুম্বা পাউ ফোঙদুনা মীয়াম্বু মাৎ নাকোং শিংহল্লবদি লৈঙাকসু মীয়াম্বু নোল্লুকা চৎকনি হায়না হেদলাইন তৌদুনা পাউচে অসিগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

হিলজ হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা এস.দি.এস.এ না দিপার্টমেন্ট কয়াদা সর্প্রাইজ চেকিং চৎথখ্রে, সরকারনা অহাংবা পোষ্টশিং মেনখৎপীনবা আপিল তৌখ্রে হায়বা পাউনা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা তামেংলোং জিলাদা পাইরকখিবা অমুর ফেলকনশিংগী মরমদা কুপা থিগৎনবা ৱাইল লাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়াগী সেনিয়র সাইন্তিশ অমা মথং থাদা মণিপুরদা লাক্লগনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তামেংলোং তাইমসতসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।